**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা কাস তুয়েল্ব পরিক্ষা হয়েংদগী হৌরগনি। পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৯,০৬৫ না পরিক্ষা থাগনি।

২) মশা মউ ফনা লৈনবা অমসুং অকোইবগী খল ঙাকবা পান্দমদা নোংমাইজিং খুদিংগী চথরকপা সন্দেজ ওন সাইকল রেল্লি ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

৩) থা অসিগী ১২ দগী চথরকখিবা অনিসুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিলম ফেষ্টিভেল ঙসি ককচিংদা লোইশিনখ্রে।

৪) নিউ দিল্লি রেলৱে ষ্টেসনদা মীয়াম নেৎশিন্নবদগী মীওই কয়া অমা শিখিবা, কয়া অশোক অপন নংখিবা অদু রেলৱেজনা থিজিনবা হৌখ্রে।

অমসুং

৫) রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩০ গী ত্রাইবেল জাতিশিংনা শরুক য়াবা আদি মহোৎসব ২০২৫ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে।

------

পরিক্ষা (এল)ঃ কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষা হয়েংদগী হৌরগনি। পরিক্ষা অসি মথং থাগী ২৬ ফাওবা চথগনি। পরিক্ষা অয়ুক পুং ১০ দগী হৌরগা নুংথিল পুং ১

ফাওবা চত্থগনি। পরিক্ষা অসিগী য়েংলগা পরিক্ষা সেন্তরশিংগী অকোইবদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

পরিক্ষা অসিদা সাইন্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই লিশিং ২০,৮৯৩, আর্টস ষ্ট্রিমদা মহৈরোই লিশিং ৭,৬৩২ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা মহৈরোই ৫৪০ পুন্না মহৈরোই লিশিং ২৯,০৬৫ না পরিক্ষা থাগনি। পরিক্ষা অসিগীদমক চীংগী পরিক্ষা সেন্তর ৩৮ অমসুং তম্পাক্কী পরিক্ষা সেন্তর ৭৪ পুন্না পরিক্ষা সেন্তর ১১২ দা হাংদোক্লি। পরিক্ষা অসি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক কোসেমনা মীওই অহুমা শাবা ফ্লায়িং স্কৱাদকী টিম ৪৮ শেল্লে।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা কাউন্সিলনা ক্লাস তুয়েল্ব পরিক্ষা অমসুং থা অসিগী ১৯ দগী হৌগদৌরিবা বোর্দনা লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা অসি মহৈরোইশিংগী ওইনা য়ামা মরুওইবা পরিক্ষা ওইবনা লমদম অসিদা লৈরিবা লুপশিংনা পরিক্ষা অসি ইংনা চিকা পাঙথোকবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গার্জিয়ান্স ওর্গনাইজেসন্না আপীল তৌরক্লি। চেরোল অমদা লুপ অসিগী জেনেরেল সেক্রেটরিনা হায়- পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংনা নিতি নিয়ম ঙাকা পরিক্ষা থাবীয়ু।

ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন মণিপুরনসু পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পরিক্ষা অসি ইংনা তপা নিয়ম চুমা পাঙথোকবা হোৎনমিন্নশি। পরিক্ষা অসি য়ৈখায় থিনগাইদনা নিংথিনা পাঙথোকবা হোৎনবদা মীপুম শৌগৎপীনবা এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরিনা হায়রি।

ত্রাফিক(এল) ঃ মমাং চহিগী দিসেম্বর ২২ দগী নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী চত্থরকখিবা সন্দেজ ওন সাইকল ঙসি ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা স্পোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (সাই) নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরনা শিনদুনা পাঙথোকখ্রে। সাইকলগী খোঙচৎ অদু ইম্ফালগী সাই কমপ্লেক্সতগী হৌরগা কংলাগী নোংচুপ থংবা গেট ফাওবা য়ৌরুরবা মতুং সাই কমহপ্লেক্সতা অমুক হল্লক্তুনা লমথুংফম ওইখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসকী এস.পি প্রমেশ অরাম্বমনা হায়-হৌজিক মালেমগী ওইনা লাক্লিবা অহোংবা কয়া অসিদা শেল থুমগী ফিভম ফগৎপা খক নত্তনা মশা-মউ ফনা লৈবা য়াममক তঙাইফদে। মহাক া হায়- চাবা থকপা খক শেমদোকপা নত্তনা হকচাং ফনা লৈনবা শাজেল তৌবা হায়বসিসু য়ামা মরুওই। শ্রী প্রমেস অরাম্বমনা হায়- অনকপা মফমশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা মীয়ামা মশা মশাগী লৈরিবা গাড়িশিং থৌবগী মহুৎতা সাইকল থৌরবদি লম কয়াদা খুদোংচাবা পীগনি।

ইম্ফাল স্মার্ট সিটি লিমিটেদকী চিফ এগজিক্যুটিভ ওফিসার টি.ঐচ. হরিকুমারনা ফোংদোকখিবদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ অমসু ওইদুনা লাক্লিবা সাইকল অসি মতমগী মতুংইন্না গাড়ি মখল কয়া থোরকপদগী শিজিন্নরুদ্রবসু সাইকল থৌবনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং অসিবু খঙলক্কুনা কেম্পেন কয়া চখ্তরক্লিবা অসি অফবা খুদমনি।

কেন্দ্রগী লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানসু মুম্বাইদা পাঙথোকপা ফিট ইন্দিয়া সন্দে ওন সাইকলগী খোঙচৎতা শরুক য়াখি। ফাইট ওবেসিটি হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা সাইকল রেল্লি অদু গেট ৱে ওফ ইন্দিয়াদগী গীরগাউ চৌপতি ফাওবা চৎখি । কেম্পেইন অসি মমাং চহিগী দিসেম্বর ২২ দা পোলুসন কা সোলুসন হায়বা হীরমদা ভারত পুম্বদা হৌদোকখিবনি।

এমএলএ (এল)ঃ ভারত সরকারনা য়ান্নবা অমগী মতুংইন্না শান্তি অমসুং অচুম্বা ৱায়েল পুরকবা পোলিতিকেল রোড মেপ শেমগনি হায়বগী থাজবা মণিপুরগী এম.এল.এ ১০ না থাজবা ফোংদোরক্লি।

এম.এল.এ ১০ না সহি তৌদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা আই.দি.পিশিং য়াওনা মীয়ামা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অসি অককবা মতম অমগী মনুংদা লোইশিনগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লি।

নুপী (এল)ঃ মরিসুবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল লুপ, ইম্ফালনা হায়রি- মণিপুরদা অথুবা মতমদা সরকার অসি হিংগৎহন্দুনা ইরমদম কন্নবা হোৎনগদবনি। চেরোল অদুনদা হায়- মণিপুরগী লুরবা তানফমদা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকপা হায়বসি মরম চাদে। এম.এল.এশিং মচোই মচোই তাবগী থৌওং থাদোক্লদবনি।

কেম্পেন (এল)ঃ য়ুথ দিভলপমেন্ট কেম্পেন মহাত্মা সেবা আশ্রম কোন্থৌজম ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী ওইবা ৱারেং পাথোকপা, শৈরেং থিবা অমদি যোগ উৎপনচিংবগী চাংদমবা পাঙথোকখি। তুংদা, মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

ফিলম (এল)ঃ কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয় অমদি নেসনেল ফিলম দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসনগী মখাদা চখ্থরকখিবা অনিসুবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ফিলম ফেষ্টিভেল ঙসি ককচিংদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তরগী ওদিতোরিয়ামদা লোইশিনখ্রে। থা অসিগী ১২ দগী চখ্থরকখিবা ফেষ্টিভেল অসিদা অসামিজ ফিলম ৬ য়াওনা পুন্না ফিলম ১০ উৎখি। ফেষ্টিভেল অসিগী নোন-ফিচর ফিলম কাংলুপ্তা অসামিজ বাই লেঙ্গুএল ফিলম- হুয়ার ইজ মাই হোমনা বেষ্ট ফিলম অমসুং ফিচর ফিলমগী কাংলুপ্তুনা ওইথরেনা বেষ্ট ফিলম তাখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎ, ময়াংলম্বম রামেশ্বর, থাংজম অরুনকুমার অমসুং আই.পি.আরগী কম্মিসনার এম. জোয় শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়- ফিলমদা থৱায় য়াওবা মীশিংবু পুকিং থৌগৎপীদুনা হেন্না মগুন লৈবা ফিলমশিং পুথোকবা হোৎনশি। মহাকা হায়- মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা শেল থুম য়াওনা লম খুদিংমকা শোত্থহল্লে।

চোথে (এল)ঃ   চয়োল অমা চথুরকপা চোথে জাতিগী ইনাপুই-লিন কুম্মে বিষ্ণুপুর জিলাগী লমলানহুপি খুলদা ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা খুলগী খুল্লাকপনা চৎনবীগী মতুংইন্না চোথে থাংৱাই পাখংবদা থৌনিজরগা খুলগী পাখঙ-লৈশাগী হায়না শিংনবা, মচা মমৌ ওইনিংবা ফোংদোকবা য়ারে তাকপনি। কুম্মে অসি ফাইরেন থাদা নাৎকী ওইবা চৎনবী জগোই ঈশৈগা লোয়ননা পাঙথোকই।

লাইরিক (এল)ঃ      শৈরেংবশিংগী অপুনবা লুপ (সাল) মণিপুরনা শিন্দুনা নোংমাইথেম প্রেমানন্দ সিংহনা ইবা শৈরেং লাইরিক- লোক্তাক পাৎকী চিদাইদা কৌবা লাইরিক অমা ঙসি ককচিংগী নাউদম বজার কম্যুনিতি হোলদা ফোংখ্রে।

থৌরম অদুদা রাইটরস এসোসিয়েসন ককচিংগী প্রসিদেন্ট পুখ্রম্বম নিমাই সিংহ, সালগী প্রসিদেন্ট ডাঃ শগোলশেম ইবুংঙোচৌবা সিংহ, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী প্রোগ্রাম একজিক্যুতিক হৈক্রুজম দেবেন্দ্র, সাহিত্যা সেবা সমিতি-ককচিংগী হান্নগী প্রসিদেন্ট য়েংখোম ধননজোয়নচিংবা শরুক য়াখি।

রেলৱে ঃ  নিউ দিল্লি রেলৱে ষ্টেসনদা মীয়াম নেৎশিন্নবদগী মীওই কয়া অমা শিখিবা, কয়া অশোক অপন নংখিবা অদু রেলৱেজনা থিজিল্লগনি হায়রি।

থৌদোক অসি থিজিন্নবগীদমক শেমখিবা ইনক্কারি কমিতি অসিদা রেলৱেজগী প্রিন্সিপাল চীফ কম্মর্সিয়েল মেনেজর নরসিংহ দিও অমসুং প্রিন্সিপাল চীফ সেক্যুরিতি, কম্মিসনার পঙ্কজ গেঙ্গৱার য়াওরি। কমিতি অসিনা থৌদোক অদু থিজিনবা হৌখিবগা লোয়ননা নিউ দিল্লি রেলৱে ষ্টেসনগী ভিদিও ফুটেজ পীখৎলকবা খঙহনখ্রে। থৌদোক অদুগী মতাংদা দিল্লি পুলিসনসু থিজিনবা হৌখ্রে।

মরক অসিদা, ঙরাং নুমিদাং নিউ দিল্লি রেলৱে ষ্টেসনদা মী নেৎশিন্নবদগী শিবা মীগী মশিং ১৮ শুরে। মসিগী মনুংদা নুপী ১১ অমসুং অঙাং ৫ য়াওরি। থৌদোক অদুবু রাষ্ট্রপতি, প্রধান মন্ত্রি, রেলৱে মন্ত্রি, গৃহ মন্ত্রি অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি।  থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং

মনুংদা নোর্দন রেলৱেজনা লুপা লাখ ১০-১০ অমসুং কা হেন্না শোকপশিংদা লুপা লাখ অনি মখায় অনি মখায় ক্ষেতিপুরন ওইনা পীনবা লাউথোকখ্রে। খরা শোকপশিংদনা লুপা লাখ অমমম পীরগনি হায়রি। মী নেৎশিন্নবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা বিহারগী মীওইশিংনা রাজ্য অদুগী মুখ্য মন্ত্রিনসু লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ২-২ অমসুং অশোকপশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দিল্লিদা আদি মহোৎসব ২০২৫ হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- লৈবাক অসিদা লৈরিবা ত্রাইবেল জাতিশিংগী পুন্সি মহিং অমসুং চৎনবীনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতিবু হেন্না ইনাক খুলহল্লে। মহাকা হায়- কুমশি চহিগী বজেৎতা ত্রাইবেল জাতিশিংগী য়াইফনবগী শরুক অহুম থোকা হেনগৎলে। রাষ্ট্রপতিনা হায়- ত্রাইবেল জাতিশিংগী সমাজিক্কী ফিভম ফগৎহল্লবা মতমদতা লৈবাক অসি চাওখৎপা ঙমগনি।

আদি মহোৎসব অসি ভারত্তা লৈরিবা ত্রাইবেল জাতিশিংগী পাক চাউরবা কলা সংস্কৃতি, হেরিতেজ অমসুং শেনমিৎলোনগী ফিভম উৎথোকবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। ফেষ্টিবেল অসিদা ত্রাইবেল আর্তিসান ৬০০ লোম, আর্টিষ্ট ৫০০ শরুক য়াবগা লোয়ননা ফুড ষ্টোল ২৫ হাংদোক্লি। মহোৎসব অসিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩০ গী ত্রাইবেল জাতিশিং শরুক য়ারি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী পুথোরকপা টেক্সতাইলগী পোখোকশিং অসিনা লৈবাক অসিগী কলা সংস্কৃতিদা চাউনা মমি তারি।

নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা পাঙথোকপা ভারত টেক্স ২০২৫ দা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ফার্ম, ফাইবর, ফেব্রিক, ফেসন অমসুং ফোরেন হায়বা মঙলান অসি খোঙজং অমা ওইদুনা ভারতকী গ্রোথতা হেন্না পাকথোক চাউথোরক্লি। ভারত অসি ঙসিদি টেক্সতাইল অমসুং অতুবা ফিরোলশিং মপান

লমদা খ্বাইদগী য়ামা থাদোকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা মালেমগী ওইনা তরুকশুবদা লৈরি। মহাকা হায়- টেক্সতাইলগী লমদা ভারতনা লুপা কোতি লাখ ৩ লোমগী পোৎলমশিং থাদোক্লিবা অসি ইং ২০৩০ ফাওবদা লুপা কোতি লাখ ৯ থাদোকপা ঙমবা পান্দম থল্লি।

থা অসিগী ১৪ দগী চত্থরকখিবা ভারত টেক্স ২০২৫ হয়েং লোইশিল্লগনি।

কনফরেন্স ঃ উত্তর প্রদেশকী প্রয়াগরাজগী মহা কুম্ভদা ঙসি ক্লাইমেত মীফম মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানাথনা হৌদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৌজিক থেংনরিবা সমস্য কয়ামরুম অসি থিগৎলুবা মতমদা ক্লাইমেত চেঞ্জগা চাউনা মরী লৈনৈ। অর্থবা বেদগী মতুংইন্না পৃথিবীনা ঐখোয়গী ইমানি, ঐখোয়না মহাক্কী মচা মশুশিংনি হায়না ইরি। বেদ অসিদা মালেম পুম্বগী য়াইফনবা ৱাফম কয়া য়াওরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মালেমদা চেল্লিবা তুরেলশিংনা মীওইবগী পুন্সিদা মশিং থিঙমদ্রবা খুদোংচাবা কয়া পীরি। মরম অদুনা, মসিবু কংখিদনবা অমদি লু-নান্না থমবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমক্কী চাউরবা থৌদাং লৈ। ক্লাইমেত মীফম অসিদা ধর্ম্মগী লুচিংবশিং, ইনভাইরোনমেন্টেলিষ্ট, সোসিয়েল ওর্গনাইজেসন, বিজিনেস লুচিংবা অমদি অতৈ শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়ারি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ, মংশাতাবম প্রেমানন্দদগী---

ফুটবোল (এল)ঃ ১৭ সুবা মণিপুর ষ্টেট লিগকী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা নাকোনা ক্লাসা কৈনৌবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা শঙ্গাহ হৈরোকনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

শগোলমাং গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ত্রাউ অমসুং মিলন এফ.এ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। গ্রাউন্দ অসিমক্তদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা নেসুনা ৱাই.ও.এস.সিবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১২ শুবা টি-টোইন্তি

মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নপসা খা-ইস্ফালনা বি.এস.সি (বি)বু ৱিকেট ১০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা বি.এস.সি (এ)বু রন ৮৮ তা থোইখি।

অনিশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর ফিফতিন ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুংবু রন ১৯৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা কে.সি.সি কোংবা বজারবু রন ১৩৮ তা থোইখি।

মরিসুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্টকী ঙসি তোঙান তোঙানবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচশিংদা- আর.সি.এ লিলোংনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু ৱিকেট ৮ দা, এন.সি.এ নম্বোলনা পি.সি.সি ময়াইকোইবীবু রন ৩৮ দা, ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা য়াল থৌবাল লৈশাংথেমবু রন ১৮ দা, সি.ৱাই.এস.এ খাঙবোকনা সি.সি.কে খোংমনবু ৱিকেট ২ দা থোইখ্রে।

------